# কোভাক্সিন অমসুং কোভিসিল্ড দি সী জি আইনা মার্কেট ওথোরাইজেসন মপুং ফানা পীখ্রে




ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ২৭ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা শীজিন্নবা ভেক্সিনশিং ওইরিবা কোভাক্সিন অমসুং কোভিসিল্ড কন্দিসন খরদা দ্রগস কন্ট্রোল্লর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া (দি সী জি আই)না মার্কেটতা ফংহন্নবগী মপুং ফাবা ওথোরাইজেসন পীখ্রে হায়না যুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর মন্সুখ মন্দাবিয়ানা শগোলশেল নুমীৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ত্বিটর পোষ্টতা মিনিষ্টরনা হায়খি, দ্রগ কন্ট্রোল্লর জেনরেল ওফ ইন্দিয়ানা কোভাক্সিন অমসুং কোভিসিল্ডগী পর্মিসন অপগ্রেট তৌদুনা ইমর্জেন্সিগী ফীভমশিংদা শীজিন্নবা য়াহল্লম্বদগী হৌজিক কন্দিসন খরদা মীয়ামদা মরুওইনা এদল্ট পোপ্যুলেসনদা শীজিন্ননবগী অনৌবা নোর্মেল দ্রগ পর্মিসন পীরে।

এপ্রুভেল অদু ন্যু দ্রগস এন্দ ক্লিনিকেল ত্রায়েলস রুলস ২০১৯গী মখাদা পীবনি। ভেক্সিনশিং অসি ইমর্জেন্সি ফীভম খক্তদা শীজিন্নবা দ্রগশিং ওইহল্লম্বদগী অনৌবা দ্রগশিংগী কেটগোরিদা অপগ্রেট তৌরে। ভেক্সিনশিং অসিগী মেন্যুফেকচররশিংনা মখোয়বু শীজিন্নবগী অমসুং হৌজিক চত্থরিবা ক্লিনিকেল ত্রায়েলশিংগী দেটা রেকোর্দ তৌগনি অমসুং মদু রেগ্যুলেটর অসিদা চাং নাইনা সবমিট তৌগনি।

কন্দিসনশিংগী মনুংদা কোৱিন প্লেটফোর্মদা রেজিষ্টর তৌবা য়াওনা প্রোগ্রামগী সেট্টিংশিংগা মরী লৈননা সপ্লায় তৌবা অমসুং থা ৬ কী ওইনা সেফ্টি দেটা মখা তানা সবমিট তৌবা য়াওরি হায়না মিনিষ্টরনা অতোপ্পা ত্বিট অমদা ফোঙদোকখি।

জন্যুৱারী ১৯দা রেগ্যুলেটর অসিগী সবজেক্ট এক্সপার্ট পেনেলনা অকক্লবা কন্দিসনশিংগী মখাদা কোভাক্সিন অমসুং কোভিসিল্ডবু মার্কেট ওথোরাইজসেন মপুং ফানা পীনবা রেকমেন্দ তৌখিবনি। রেকমেন্দেসন অদু পীখিবা নুমীৎতা সী দি এস সী ওনা ত্বিট অমদা হায়খি মদুদি, সেন্ট্রেল দ্রগ ষ্টেন্দর্দ কন্ট্রোল ওর্গনাইজেসন (সী দি এস সী ও) গী এস ঈ সীনা কোভিসিল্ড অমসুং কোভাক্সিনগী ষ্টেটস ইমর্জেন্সি ফীভমশিংদা শীজিন্নবদগী কন্দিসন খরগা লোয়ননা এদল্ট পোপ্যুলেসনদা শীজিন্ননবগী অনৌবা দ্রগ পর্মিসন পীননবা রেকমেন্দ তৌখ্রে। হৌজিক্কী ওইনদি ভেক্সিন অনীমক ইমর্জেন্সিদা শীজিন্নবগী ওথোরাইজেসন মখাদা নেসনল কোভিদ ইম্যুনাইজেসন প্রোগ্রামদা শীজিন্নরিবনি।

ভেক্সিন অমা মীয়ামদা শীজিন্নবদা সেফ ওই অমসুং ইফেক্টিভ ওই হায়বসিগী দেটা মতিক চাবা লৈরবা মতমদা মদু মার্কেটতা ফংহন্নবগী মপুং ফাবা ওথোরাইজেসন পী। সেরম ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়া (এস আই আই)না ওক্সফোর্দ-অষ্ট্রা জেনেকাগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিনবু কোভিসিল্ড হায়বা ব্রান্দ মিং অসিগ মখাদা লৈবাক অসিদা শাই অমদি ভারত বাইওটেকনা ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল রিছার্সকা খুৎশম্নরগা কোভাক্সিন পুথোকখি অমসুং লৈবাক অসিদা শাই।

# মী হাৎনবা হোৎনবগী কেসতা বি জে পিগী এম এল এ নিতেশ সরেন্দর তৌনবা খঙহনখ্রে



ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ২৭ (এজেন্সী): মী হাৎনবা হোৎনখিবগী কেস অমদা চেন্নরিবা মহারাষ্ট্রগী বি জে পিগী এম এল এ নিতেশ রানে মরী লৈনবা কোর্টতা সরেন্দর তৌনবা অমসুং রেগ্যুলর বেল এপ্লায় তৌনবা শগোলশেল নুমীৎতা সুপ্রীম কোর্টনা দিরেক্সন পীখ্রে অমসুং মহাকপু নুমীৎ ১০নি ফাবা য়াদনবগী প্রোটেক্সনসু তোপ কোর্ট অসিনা পীখ্রে।

মথক্কী দিরেক্সন অসিগা লোয়ননা চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া এন ভি রামানা, জষ্টিস এ এস বোপান্না অমসুং জষ্টিস হিমা কোহলিগী বেঞ্চ অমনা যুনিয়ন মিনিষ্টর নরায়ন রানেগী মচানুপা নিতেশ রানেনা ফাইল তৌখিবা স্পেসল লিভ পিটিসন দিস্পোজ তৌখি। রানেবু প্রি-এরেষ্ট বেল পীননবা হায়জবদা য়াখিদবা বোম্বে হায় কোর্টকী ওর্দর শীংনরদুনা স্পেসল লিভ পিটিসন অদু ফাইল তৌখিবনি।

রানেবু সিনিয়র এদভোকেট মুকুল রোহাটগি অমসুং শিদধার্থ লুথ্রানা রিপ্রজেন্ট তৌখি অমসুং সিনিয়র এদভোকেট ডা. অভিশেক মানু সিংহভিনা ষ্টেট ওফ মহারাষ্ট্র রিপ্রজেন্ট তৌখি। রোহাটগিনা মহাক্কী সবমিসন পোলিটিকেলগী লম্মন খুম্ননবা শেমজিন-শাজিনবা কেস অমা পুথোরকপনি হায়রগা হৌখি। কোর্টতা মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি, মসি দিষ্ট্রিক্ট কোওপরেটিভ বেঙ্ককী ইলেক্সন পাঙথোক্কদবা নোংমখক্তা ঙাইরবা মতমদা পুথোরকপা শেমজিন-শাজিনবা কেস অমনি।

রানে হৌজিক সিট্টিং এম এল এ অমনি। কমপ্লেনেন্ট অসিনা ওপোজিসন পার্টিগী মীওইনি। মসিদা শীরিবা মরালদি কমপ্লেনেন্ট অসিবু পেপর কট্টর অমনা থিংখি হায়বসিনি। এট্টেক্কর মশামক্না থৌদোক অদু রানেদা পাউ পীগদবনি হায়জখি। রোহাটগিনা মখা তানা হায়খি মদুদি, অতৈ ক্রিমিনেল কেস মঙা মায়োক্নরি হায়রদুনা রানেগী বেল প্লি রিজেক্ট তৌখি। তৌইগুম্বসুং হায়রিবা কেস মঙা অদুদি ৱাটর সপ্লায়, হায়ৱে কন্সত্রক্সন, ফিশরমেনশিংগী রাইট অসিনচিংবা পোলিটিকেল ঈরাংশিংগা মরী লৈনবা ঙাক্তনি।

# এফআইআরশিংনা মহৈরোয়শিংগী খোঙজং কনশিনহনগনি

পটনা, জন্যুৱারী ২৭ (এজেন্সী): কোচিং ইন্সটিট্যুটশিংগী ওজাশিংগী মায়োক্তা এফ আই আরশিং রেজিষ্টর তৌবা অসিনা মহৈরোয়শিংগী খোঙজং হেন্না কনশিনহনগনি হায়না শগোলশেল নুমীৎতা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর জিতান রাম মঞ্জিহিনা ফোঙদোকখ্রে।

মঞ্জিহিনা হায়খি মদুদি, খান সারগুম্বা ওজাশিংগী মায়োক্তা এফ আই আরশিং রেজিষ্টর তৌবা অসিনা মহৈরোয়শিংবু কায়হৌদুনা বিহারদা মখোয়গী খোঙজং হেন্না কনশিনহনগনি। হৌজিক গভর্ণমেন্টনা থবক ফংদবগী প্রোব্লেমগী মতাংদা মহৈরোয়শিংগা ৱারী শানবা মতম ওইরে। মসি নৎত্রবদি হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসি হেন্না লুশিল্লক্কনি।

হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মঞ্জিহি অসি নিতিস কুমারনা লুচিংবা বিহারগী এন দি এ গভর্ণমেন্টতা য়াওরিবনি। কুমজা ২০২০গী এসেমব্লী মীখলদা বিহারগী নহা ওইরিবা মীওই লাখ ১৯দা থবক পীগনি হায়না নিতিস কুমারনা মীয়ামদা থাজবা পীখিবনি।

এগজামিনেস পেটর্নদা অহোংবা খরা লাকহনবদগী থবক থিরিবা নহা ওইরিবা মীওই অমসুং মহৈরোয়লিশিং কয়ানা রেলৱে রিক্রুটমেন্ট বোর্দ (আর আর বি) অমসুং এন টি পি সীগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌরিবনি। কুমজা ২০১৯দা আর আর বি-এন টি পি সীনা থবক্কী নোটিফিকেসন অমা ইস্যু তৌখি অমসুং য়াম্লবা নহারোলশিং অমদি মহৈরোয়শিংনা থবক্কীদমক এপ্লায় তৌখি। মহৈরোয় কয়া এগজামিনেসন পাস তৌখি। হৌজিক আর আর বি অমসুং এন টি পি সীনা এগজামিনেসন অনীগী প্রোভিজনগা লোয়ননা নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা অনৌবা নোটিফিকেসনশিং ইস্যু তৌদুনা মমাঙগী এগজামিনেসন অদু প্রিলিমিনরি এগজামিনেসন ওইহনগনি হায়খিবনি।

# ৱেষ্টর্ন নেভেল কম্মান্দনা অতৈ আর্মদ ফোর্সেসকা লোয়ননা ইন্টিগ্রেটেদ মেরিটাইম এক্সর্সাইজ পাঙথোকখ্রে



ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ২৭ (এজেন্সী): আর্মি, নেভি অমসুং এয়র ফোর্সকী ইন্টিগ্রেসনগী মখা তাবা খোঙথাং ওইনা অমদি ওপেরসনল প্রিপিয়র্দনেস চাংয়েং তৌনবগীদমক ৱেষ্টর্ন নেভেল কম্মান্দনা নুমীৎ ২০নিগী ওইবা জোইন্ট মেরিটাইম এক্সর্সাইজ অমা অতৈ ফোর্স অনীগা লোয়ননা কন্দক্ট তৌখ্রে।

পাসচিম লেহার (ৱেষ্টর্ন ৱেভ) কৌবা এক্সর্সাইজ অদু লৈবাকপোকপা নুমীৎতা লোইশিনখি। নেভিনা এক্সর্সাইজ অদুগী মতাংদা ফোঙদোরকপদা, টেক্টিকেল সিনারিও অমনা মখল মখা কয়াগী খুৎলায়শিং কাপখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা সেট্টিংশিংগী মতাংদা ওপরেসনল মিসন কয়া পাঙথোকখি। যুমশকৈশা নুমীৎতা থাদোরকখিবা নেভিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা মখা তানা হায়, জোইন্ট মেরিটাইম এক্সর্সাইজ অদু ৱেষ্টর্ন নেভিগী কম্মান্দর ভাইস এদমিরেল অজেন্দ্র বহাদুর সিংহগী মীৎয়েং মখাদা ৱেষ্ট কোষ্টকা নক্লনা ইন্দিয়ন নেভিনা কন্দক্ট তৌখি। এক্সর্সাইজ অদু ৱেষ্টর্ন নেভেল কম্মান্দগী ওপরেসনল প্লানশিংগী চাংয়েং ওইনা নুমীৎ ২০নি চুপ্পা পাঙথোকখি। মদুনা ইন্দিয়ন নেভি, আই এ এফ, ইন্দিয়ন আর্মি অমসুং কোষ্ট গার্দকী মরক্তা ইন্টর-সর্ভিস সিনার্জি নৎত্রগা কোওপরেসন হেনগৎহল্লগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুংইন্না ইন্ট্রা-ঠিএটর এক্সর্সাইজ অদুদা নেভিগী জহাজ অমসুং সবমেরিন ৪০ হেন্না শরুক য়াখি। এয়র ফোর্সনা সুখোই ৩০ এম কে আই, জাগুয়র মেরিটাইম ষ্ট্রাইক এয়রক্রাফ্‌ট, ফ্লাইট রিফ্যুল্লিং এয়রক্রাফ্ট অমসুং মসিগী এয়রবোর্ন ৱার্নিং এন্দ কন্ট্রোল সিষ্টম দিপ্লোয় তৌখি। এক্সর্সাইজ অদুদা এয়র দিফেন্স বেট্টরিশিং য়াওনা ইন্দিয়ন আর্মিগী তোঙান তোঙানবা ইলিমেন্টশিংসু মোভিলাইজ তৌখি।


# তামিল নাদুগী ফেক পাসপোর্ট কেস এন আই এনা থিজিল্লগনি

চেন্নাই, জন্যুৱারী ২৭ (এজেন্সী): শ্রিলঙ্কান নেসনল অহুম ফেক পাসপোর্টশিংগা লোয়ননা ফাখিবা মতুংদা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ)ন কেস অমা রেজিষ্টর তৌবগা লোয়ননা ইনভেষ্টিগেসন হৌখ্রে।

শ্রিলঙ্কান নেসনল অনী ফেক ইন্দিয়ন পাসপোর্ট অনীগা লোয়ননা ফাখি অমসুং অহুমশুবা শ্রিলঙ্কান অদুনা ফেক স্পেনিস পাসপোর্ট অমগা লোয়ননা ফাখি। মীওইশিং অদু কুমজা ২০২১গী ওক্টোবরদা তামিল নাদু পুলিসনা ফাখিবনি। তৌইগুম্বসুং অনলোফুল এক্টিভিটিষ্ট (প্রিভেন্সন) এক্ট (যু এ পি এ), পাসপোর্ট এক্ট, ফোরনর্স এমেন্দমেন্ট এক্ট অমসুং ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী মরী লৈনবা সেক্সনশিংগী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌরবা মতুং প্রিমিয়র ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সী অসিনা কুমজা ২০২২গী জন্যুৱারীদা থিজিনবগী থবক পায়খিবনি।

তামিল নাদু পুলিসকী এলিট ক্যু ব্রাঞ্চনা কুমজা ২০২১গী ওক্টোবরদা চেন্নাইদা লেটচুমানন মেরি ফান্সিস্কা কৌবা মীওই অমা ফাখি অমসুং অতোপ্পা শ্রিলঙ্কান নেসনল অমসু মদুরাই এয়রপোর্টতা শ্রিলঙ্কান এয়রলাইন্সকী ফ্লাইট অমা তোংনবা হোৎনরিঙৈদা ফাখি। তামিল নাদু ক্যু ব্রাঞ্চনা কুমজা ২০২১গী ওক্টোবরগী অরোইবা চয়োলদা অতোপ্পা শ্রিলঙ্কান অমসু ফেক স্পেনিশ পাসপোর্ট অমগা লোয়ননা তিরুচি এয়রপোর্টতা শ্রিলঙ্কান এয়রলাইন্সকী ফ্লাইট অমা তোংনবা হোৎনরিঙৈদা ফাখি। মীওই অহুম অসি ফারবা মতুংদা এন আই এনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌবগা লোয়ননা ইনভেষ্টিগেসন চত্থবা হৌখিবনি। এন আই এগী ওফিসরশিংগী ওইবা স্পেসল টিম অমনা কেস অদু থিজিল্লি।

# ইন্দিয়াগী হ্যুমেন রাইটসকী ফীভমগী মতাংদা হান্নগী ভি পি অন্সারিনা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ২৭ (এজেন্সী): ইন্দিয়াদা হৌজিক লৈরিবা হ্যুমেন রাইটসকী ফীভমগী মতাংদা লৈবাক অসিগী হান্নগী ভাইস-প্রসিদেন্ট হমিদ অন্সারি অমসুং যু এসকী লোমেকর মরিনা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে।

যুমশকৈশা নুমীৎতা ইন্দিয়ন অমেরিকান মুস্লিম কাউন্সীলনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ভর্চ্যুএল পেনেল দিস্কসন অমদা মখোয়না লৈবাক অসিগী হ্যুমেন রাইটসকী ফীভমদা নুংনাংবা ফোঙদোকখিবনি। অমরোমদা, লৈবাক অসিদা সিভিল লিভর্টিজ হন্থরক্লে হায়বা ফোরেন গভর্ণমেন্টশিং অমসুং হ্যুমেন রাইটস গ্রুপশিংগী ৱাফমশিং ইন্দিয়ানা রিজেক্ট তৌখ্রে। পেনেল দিস্কসন অদুদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াখিবা হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট অন্সারিনা লৈবাক অসিদা হিন্দু নেসনেলিজম কনখৎলকপগী ফীভমদা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

পেনেল দিস্কসন অদুদা যু এস কোংগ্রেসকী মেম্বর অহুমনা শরুক য়াখি। মখোয় অদুদি জিম মেকোভর্ন, এন্দি লেভিন অমসুং জামি রাস্কিননি। মখোয় ন্যু দেল্লীদা লাকপা গভর্ণমেন্টশিংগী খেন্নবা থমদনা মতম চুপ্পদা এন্টি-ইন্দিয়া ওইবা ফিরেশিং লৌদুনা লাকপনি। ইন্দিয়াদা লাইনিং লাইশোনগী ওইবা ওথোরিটরিএনিজম অমসুং দিস্ক্রিমিনেসনগী ইস্যুগা মরী লৈনবা প্রোব্লেম কয়া লৈরক্লি হায়না রাস্কিমনা ফোঙদোকখি।

# টাটা গ্রুপনা এয়র ইন্দিয়া পায়রে

ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ২৭ (এজেন্সী): গভর্ণমেন্টনা শগোলশেল নুমীৎতা এয়র ইন্দিয়াবু টাটা গ্রুপতা ওফিসল ওইনা শীন্নখ্রে।

দিপার্টমেন্ট ওফ ইনভেষ্টমেন্ট এন্দ পব্লিক এসেট মেনেজমেন্ট (দি আই পি এ এম)গী সেক্রেটরি তুহিন কান্ত পান্দেনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, গভর্ণমেন্টনা এয়র ইন্দিয়া অসি টাটা গ্রুপকী হোল্ডিং কম্পনিগী সবসিদরি অমা ওইরিবা টেলেস প্রাইভেট লিমিটেদতা শীন্নরে। মায় পাক্লবা বিদর ওইখিবা টেলেসনা হৌজিক এয়রলাইন অসিগী অনৌবা মপু ওইরগনি হায়না পান্দেনা ফোঙদোকখি।

টাটা সন্সকী চেয়রমেন এন চন্দ্রসেকরননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, এয়র ইন্দিয়াবু টাটা গ্রুপনা অমুক হন্না লৌশিনবা ঙম্বা অসিদা গ্রুপ অসিনা অদুক্কী মতিক নুংঙাই। লৌশিনবগী প্রোসেস মপুং ফানা লোইশিল্লে।

# গোৱাগী সী এম নোমিনেসন ফাইল তৌখ্রে

পনাজি, জন্যুৱারী ২৭ (এজেন্সী): লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ১৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা গোৱাগী এসেমব্লী মীখলগীদমক চীফ মিনিষ্টর প্রমোদ সৱান্ট শগোলশেল নুমীৎতা নোর্থ গোৱাগী সঙ্কেলিম কন্সটিট্যুএন্সিদগী নোমিনেসন পেপর ফাইল তৌখ্রে।

ভারতিয়া জনতা পার্টিগী গোৱা ইলেক্সন ইন-চার্জ দেবেন্দ্র ফদনাভিসকা লোয়ননা নোমিনেসন পেপরশিং ফাইল তৌরবা মতুংদা ৱা ঙাংখিবা সৱান্টনা হায়খি মদুদি, কুমজা ২০২২গী মীখল অসিদা বি জে পিনা সিট ২২গী মথক্তা ফংগনি। শগোলশেল নুমীৎতা বি জে পিগী হান্নগী মরুওইবা লুচিংবা অনীসু ইন্দিপেন্দেন্ট কেন্দিদেটশিং ওইনা নোমিনেসন পেপরশিং ফাইল তৌখি।

হৌখিবা চয়োলদা বি জে পিদগী রিজাইন তৌখিবা পার্টি অসিগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর লক্ষ্মিকান্ত পার্সেকর মন্দ্রেম এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদগী ইন্দিপেন্দেন্ট কেন্দিদেট অমা ওইনা নোমিনেসন ফাইল তৌখি।

পার্সেকরনা ফোঙদোকখিবদা, বি জে পিগা ৱারী শানবা হায়বসি হৌজিক্তি মহাক্না ওপসন অমা ওইদ্রে। চীফ মিনিষ্টর প্রমোদ সৱান্টনা মহাক্কী মতাংদা মখা তানা ৱারী শানখিগনি হায়না খল্লিবদু কান্নররোই। হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মনোহর পরিকারগী মচানুপা উটপালসু ইন্দিপেন্দেন্ট কেন্দিদেট অমা ওইনা নোমিনেসন পেপর ফাইল তৌখি। রুলিং পার্টিনা টিকেট পীদবদগী মহাক বি জে পি থাদোকখিবনি।

# মরুওইবা এক্যুইজ এক্কিট তৌখ্রে

কোচি, জন্যুৱারী ২৭ (এজেন্সী): বোম পোকখায়বগী থৌদোক অনীগা মরী লৈনবা কেস অমদা কেরলা হায় কোর্টনা মরুওইবা এক্যুইজ এক্কিট তৌখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা এক্যুইজ অমা এক্কিট তৌবীনবা থাবা আপীল অমা দিসমিস তৌখিবদগী নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ)না শগোলশেল নুমীৎতা চৈথেং অমা ফংখ্রে।

কেস অদু কেরলাদা প্রিমিয়র প্রোব এজেন্সী অসিনা রেজিষ্টর তৌবা অহানবা কেসনি। কেস অদু কুমজা ২০০৬কী মার্চ ৩দা কোঝিকোদকী মোফুসিল বস ষ্টেন্দ অমসুং কে এস আর টি সীদা মথং-মথং বোম অনী পোকখায়খিবগা মরী লৈনৈ। এক্যুইজশিংনা বোমশিং প্লান্ট তৌরবা মতুংদা ওথোরিটিশিং অমসুং মীদিয়াদা বোমশিং অদুগী মফম তাকথোকখিবনা মদু অতাঙবা কেস অমনি হায়না লৌনখি। কেস অদু অহানবদা লোকল পুলিসনা থিজিনখিবা মতুং কুমজা ২০০৯দা এন আই এনা পায়খিবনি। শগোলশেল নুমীৎতা কেরলা হায় কোর্টনা এল ঈ টি ওপরেটিভ থাদিয়ান্টেভিদা নাজীর অমসুং শাফাজকী আপীলশিং য়াহনখিবগা লোয়ননা মখোয়বু এক্কিট তৌখিবনি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEINGANG, IMPHAL EAST**

**Ref :- Mut. Case No. 58/SDC/Hng/IE/2022**

Langpoklakpam Sarat Singh S/o L. Mangi Singh of Nilakuthi Lamkhai. -Petitioner

-Vs-

(Late) Langpoklakpam Radhe Devi W/o L. Mangi Singh of Nilakuthi Lamkhai. -O.P.

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Dated : 27-1-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং. ২০-নিলকুথিদা লৈবা অরিবা পাট্টা নং ... অনৌবা পাট্টা নং ২৬৬ দাগ নং ১২৯০, এরিয়া .৩০ একর চাওবা অঙনফৌ অসিগী পাট্টাদার মৃত্যু: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারী অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা S.D.C. Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা S.D.C. Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চৎথদুনা নামা ওল্লগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector, Heingang, Imphal East.**

HL-P/1500/28

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST**

**Ref :- Mutation Case No. 63/SDC/SWG of 2022**

Parties :- Sarangthem Megharaj Singh S/o Devendra Singh of Thambalkhong Sabal Leikai. -Petitioner

-Vs-

Late Pattadar : Sarangthem Iboton Singh S/o (L) Chaoren Singh of Thambalkhong Sabal Leikai. -Opposite Parties

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Sawombung, the 25th January, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিলগী খুল ন: 60-Sangsabi পাট্টা ন: 280 (অরিবা) 336 (অনৌবা) দাগ ন: 276 মোট এরিয়া 1.67 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার Sarangthem Iboton Singh অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারী অসিনা মৃ:গী মিং কক্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিং অপ্তি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা চে ওইনা অপ্তি পীরবা মতুং লাকপা চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector, Sawombung, Imphal East**

HL-P/1495/28

## ꯂꯥꯟꯅ-ꯊꯧꯔꯝ / লান্ন-থৌরম



লাক্লিবা চৈচৎ ১৯/০১/২০২২ কুমজা, ৱাকচিংগী ১৬নি পানবা যুমশকৈশা নুমিৎতা ঐখোয় খ্বাই পূম্নমক্কা লৈমিন্নজরম্বী **নিংথেমচা ওংবী সোরোজিনি সিজা** -না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা মপূগী খূয়াদা চঙজখ্রে।

লাক্লিবা তাং ২৯/০১/২০২২ কুমজা, ৱাকচিংগী ২৭নি পানবা থাংজ নুমিৎতা লান্ন-থৌরম থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবীগী থৱায়না মপূগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্লা লৈজরুনবগীদমক ঙমজবা খরদং তেংবানবা তাইবং মপূগী খূয়াখাদা কচ্চগদৌরি।

হৌজিক-হৌজিক কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা ইমুং-মনুং খক্তগী ওইনা থৌরম অসি পাঙথোকচরগনি। মরম অদুনা পূম্নমক্না ৱারৌবীদনবা নোল্লুকচরি।

থৌরম পরেং ঃ-
থৌরম হৌবা : অয়ূক পুং ৯ঃ০০

থৌগল ফংজরিবা ঃ-
আর. কে. নোরেন্দ্রজিত (মপুরোইবা)

য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকাই, ইম্ফাল।

HL-P/1529/28

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVERNMENT OF MANIPUR**

**Ref: Mutation Case No. 43/AS&SO/TBL, Dt. 14-01-2022**

1. Thokchom Yaisha Singh S/o (L) Th. Kanhai Singh of Khangabok Part III Makha Leikai.
2. Thokchom Shyamkishore Singh S/o (L) Th. Kanhai Singh of -do- - Applicants

-Vs-

(Late) Thokchom Kanhai Singh S/o (L) Shajou Singh of Khangabok. - Opp.

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

25-01-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ৩৩ খাঙবোক নং (১) পাট্টা নং ৯১২ (অরিবা) ১৬৯ (অনৌবা) দাগ নং ৩২৩২, ৩২৩৩ অনী এরিয়া .১০৭৫, .২৫২৫ হেক্টর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী কো-পাট্টাদার নং (৪) মৃ: ওইখ্রে, মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা মৃ: পাট্টাদার শরুক .০৯৩১ হেক্টর অসি মচানিপা থোকচোম শ্যামকিশ্বর সিংহদা নামা পানবীরো, নং(২) পাট্টা নং ১১৩, ১৩২৬ (অরিবা) ১০৫৮ (অনৌবা) দাগ নং ৩২২৬ এরিয়া .১৫২৫ হেক্টর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে, মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা মচানিপা থোকচোম য়াইশা সিংহদা নামা পানবীরো, নং (৩) পাট্টা নং ২২৮৮ (অরিবা) ৮৫৯ (অনৌবা) দাগ নং ১৩৬৩ এরিয়া .৭৫৪১ হেক্টর চাওবা তাওথবী লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে, মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা মচানিপা থোকচোম য়াইশা সিংহদা হেক্টর .৩৭৭০ মখা থংবদা অমসুং থোকচোম শ্যামকিশ্বর সিংহদা হেক্টর .৩৭৭১ অৱাং থংবদা নামা পানবীরো নং (৪) পাট্টা নং ২১০২ (অরিবা) ১০১৪ (অনৌবা) দাগ নং ১৩৯৬ এরিয়া .৬০৫০ হেক্টর চাওবা চাওথবী লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে, মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা মচানিপা থোকচোম য়াইশা সিংহদা হেক্টর .৩০২৫ নোংচুপ থংবদা অমসুং থোকচোম শ্যামকিশ্বর সিংহদা হেক্টর .৩০২৫ নোংপোক থংবদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচেদা হাপ্লকপা নুমীৎতগী ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা য়েৎলবা য়াগনি নৎত্রবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

**Sd/- M. Ningthembi Singh**
Assistant Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/1603/28

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF MEDICAL AND HEALTH SERVICES**

ꯈꯪꯍꯟꯕꯒꯤ ꯆꯩꯊꯦꯡ / NOTIFICATION

Imphal, the 22nd January 2022.

No. 104/1/ 2021- DHS: It is hereby informed to all the intending and eligible candidates who have applied for the available seats of MBBS/BDS/BASLP Courses 2021 for the Government of Manipur and Shija Academy of Health sciences (SAHS), Langol that the schedule and venue of Open Counselling for selection of candidates are as follows:

A. Rounds:
**Round 1**: 30th and 31st January 2022 (Sunday and Monday)
**Round 2**: 16th and 17th February 2022 (Wednesday and Thursday)
**Mop up**: 8th and 9th March 2022 (Tuesday and Wednesday)
**Stray vacancy round**: 16th March (Wednesday)

B. Registration of candidates: **From 8.00 am to 10.30 am** of the days of each round at counselling venue. No claim for registration shall be entertained after 10.30 am.

C. The following candidates and **all the candidates** applied for the seats reserved for children of Armed Forces & Ex-serviceman, PwD and sports are informed for registration for Round 1 of counselling. Merit list of candidates notified for Round 1 is as follows:

| Course | Category | Merit | |
|---|---|---|---|
| | | from | to |
| MBBS and BASLP (Day 1) | All candidates | 1 | 70 |
| | ST | 71 | 390 |
| | OBC (M) | 71 | 110 |
| | OBC (MP) | 71 | 130 |
| | OBC (TN) | 71 | 391 |
| | SC | 71 | 150 |
| | *SAHS, Langol | 1 | 160 |
| MBBS and BDS (Day 2) | All candidates | 71 | 200 |
| | ST | 391 | 502 |
| | OBC (M) | 111 | 200 |
| | OBC (MP) | 131 | 200 |
| | OBC (TN) | nil | nil |
| | SC | 151 | 224 |
| | *SAHS, Langol | 161 | 316 |

* From the list of candidate published by SAHS, Langol.
*(List of candidates for Round 2, Mop up and stray vacancy round shall be notified later on.)*

D. **Open Counselling of candidates**: From 10.45 am onwards of the notified dates and days.
E. **Venue**: Main Auditorium JNIMS, Porompat, Imphal, Manipur.

Details shall be available at Notice Board, Medical Directorate Lamphel and official website manipurhealthdirectorate.in

Sd/-
(Dr. K. Rajo Singh)
Director of Medical and Health Services
Manipur and Member, Selection Board

HL-P/1497/28